# ইন্টরনেসনেল ফিল্ম কুম্মৈনা লমদমসিগী ফিল্মগা মরী লৈনবশিংগী থৌনা হেনগৎলগনি

*-গভর্নর*

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, জনুৱারী ১১:* মণিপুর ফিল্ম দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন ইম্ফালনা হন্তর ইন্টরনেসনেল মণিপুরী প্রোজেক্টকা খুৎশম্নদুনা জানুৱারি ১১দগী ১৫ ফাওবা চত্থগদবা রি প্লে ২০১২, ইন্টরনেসনেল ফিল্ম কুম্মৈ ঙসিদগী ইম্ফালগী জেএন মণিপুর দান্স একাদেমিদা হৌখ্রে। থৌরমদুদা ইন্টরনেসনেল ফিল্ম কুম্মৈ কয়া পাঙথোকপসিনা লমদম অসিগী ফিল্মগা মরী লৈনবা মীওইশিংগী থৌনা হেনগৎলগনি হায়না মণিপুরগী গভর্নর শ্রী গুরবচন জগৎনা ফোঙদোকখ্রে।

য়োশিকো, চুমা, এলেক্সজেন্দ্রা ভাইটসনচিংবনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরমদুগী চিফ গেষ্টকী ৱারোলদা মণিপুরগী গভর্নরনা মখা তানা হায়খিবদা মণিপুর ফিল্ম দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন্না হন্তর অমদি অতৈ মণিপুরগী ফিল্ম ওর্গনাইজেসনশিংগা খুৎশম্নদুনা পাঙথোক্লিবা ফেষ্টিভেল অসিনা তোঙান তোঙানবা মখলগী অফবা ফিল্ম কয়া পুথোকপদা খুদোংচাবা কয়া পীরগনি। লোয়ননা লমদম অসিগী ফিল্ম মেকর কয়ানা মখল কয়াগী ইন্টরনেসনেল ফিল্ম ফেষ্টিভেল কয়াদা শরুক য়াবগী তাঞ্জা কয়া ফংলগনি।

য়োশিকো চুমাগী দোক্যুমেন্টিং দান্স অমসুং এলেক্সজেন্দ্রা ভাইটসকী স্ক্রিন প্লে য়াওনা ৱার্কসোপ অনি, দোক্যুমেন্টিং দান্স অমা পাঙথোক্কদৌরিবসি নুংঙাই। অসিগুম্বা ফেষ্টিভেল অসি মণিপুরগীদি য়াম্না মরুওই। মসিনা ষ্টেটসিগী মশিং য়ামজদ্রিবা অফবা স্ক্রিন প্লে কয়া চাওখৎহনবা ঙম্লগনি। লোয়ননা অসিগুম্বা মখলগী ফেষ্টিভেল হেরিতেজশিং অদু মালেমগী মীয়ামদা মশক থোক্লা খঙহনবা ঙম্লগনি। মরম অসিনা অসিগুম্বা মখলগী ৱার্কসোপ তুং কোইনা মখা তানা পাঙথোকপা ঙম্লসনু। লোয়ননা রিসোর্সপার্সন কয়াগা ৱারী ৱাতাই শান্নদুনা তাথোক তাশিন তৌনদুনা চাওখৎপসু ওইসনু।